# সেরিকলচরদা মীৎয়েং থম্বনা ষ্টেট অসিগী শেন্মীৎলোনদা কান্নবা পীবা ঙমগনিঃ এন বিরেন

ইম্ফাল,ফেব্রুৱারি১৩(এসএন এস)ঃ

সেরিকলচরগী সেক্টরদা লৈঙাক্না অখন্নবা মীৎয়েং থম্বনা ষ্টেট অসিগী শেন্মীৎলোনদা চাউনা কান্নবা পীবা ঙমগনি। সেরিকলচরগা মরী লৈননা বেনিফিসিয়ারিশিংনা তৌরিবা থবকশিংদা মোনিটর তৌবা মতমদা প্রোজেক্ট অসি শোয়দনা মায় পাক্না পায়খৎপা ঙমগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্টকী সঙ্গাইপাৎতা লৈবা মণিপুর সেরিকলচর প্রোজেক্ট মেনেজমেন্ট কমপ্লেক্স সঙ্গাইপাৎতা পাঙথোকপা ইন্টিগ্রেটেদ সেরিকলচর দিভলপমেন্ট প্রোজেক্টকী মখাদা বেনিফিসিয়ারি ১৩০০ রোমদা অপুনবা শেনফম লুপা ১১,১৮,৫৪,৮০০ য়েন্থোকপা লোয়ননা রাষ্ট্রিয় কৃষি বিকাশ যোজনাগী মখাদা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ ৬০ অমদি লন্নাই মীওই ৩০ দা স্পিনিং মেছিন ১৫০ য়েন্থোকপগী থৌরমদা চীফ মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়, মহৌশানা ঐখোয় অসি অরায়বা শেনফম অসি য়াম্না পামগল্লি। মদুনা দ্রগ ললোনবগুম্বগী থবক চত্থরক্লি। সেরিকলচর তৌবা মীওই অমনা পাম্বী মপুং ফাবা চহী ৩ অদু করি তৌগনি হায়বসি লৈঙাক্না প্লান তৌরি। চহী অহুম অসি ৱাটরসেদ মেনেজমেন্টকী মখাদা মখোয়াদা লম্বী অমা পীরি। মসিনা উমং কোকথোকপসু কোকহনবা ঙম্লে, ঈশিংসু সেভ তৌরে অমদি পোত্থোকসু পুথোক্লে হায়খি।

মসিনা পোত্পী পাম্বী থাবা, গঞ্জা থাবনচিংবা ময়াই কাবা চিঞ্জাকশিং থাবগী মহুত্ত সেরিকলচর প্রোজেক্ট পায়খৎপনা মখোয়গী শেন্মীৎলোনদা ইনোৎ পীবা ঙমগনি হায়খি। হৌজিক উপাম্বীনা মপুং ফাদ্রিঙৈদা অতোপ্পা লম্বী অমা পীবিবা তই। মসিদি মতম চংবনি।

সেরিকলচরগী থবক অসি মপুং ফানা ফজনা তৌবা ঙম্নবগীদমক মীয়ামদা খঙহনবা অমা তৌবা চংই। এম এল এশিংগী মরক্তা নৎত্রগা থৱায় য়াওবা মীওইশিংগী মরক্তা এৱার্নেস পীবগী তঙাইফদবা লৈ।

চীংগী এরিয়াদা পোপ্পি পাম্বী থারিবশিং অসিদা সেরিকলচরনা মহুৎ শিনবা ঙম্লবদি য়াম্না কান্নগনি। চহী অহুমগী মতম অসিদা মখোয়গী হিংনবগী লম্বী অসি তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংনা খুৎশম্নরগা পায়–খৎপগী তঙাইফদবা লৈরি।

চহী অহুমগী মতুংদদি মখোয় মশানা মশাবু ইনকুম্ন তানবা হৌরগদবনি হায়খি। মণিপুর অসি লায়রবনা মশীং য়াম্বা লৈবাকনি। লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী ইমুংগী ফিভম, হকচাংগী ফিভম, মৈগী ঈশিংগী গ্যাসকী লমদা মপুং ফানা মতেং পাঙলবদি শেল তুং শিনবা ঙম্লগনি হায়খি।

এডুকেসনগী ফিভম ফগৎলবা মতমদা খুন্নাই অসি মাঙলোমদা চং শিনবা ঙমগনি। লৈঙাক্কী স্কুলদা পায়–খৎপা মতম অসিদদি লৈঙাক্কী স্কুলদা মীং চন্নবা তান্নবা হৌরবনি।

মীওইবগী হিংবগী থাক ৱাঙ–খৎহনবা তঙাইফদে। মণিপুর ইংথ তপথবা ষ্টেট ওইরে। ব্লোকেদ, জেনরেল ষ্ট্রাইক লৈরক্ত্রে। ষ্টার্ট অপতা লাকপা, ষ্টেন্দ অপতা লাকপা মী ময়াম অসি থবক শুবা হৌরবনি। রুরেল ইকোনোমি ফগৎলকপনা মণিপুর ফগৎলকপনি। মণিপুর ইন্দিয়াগী মনুংদা মকোক্তা লৈবা ষ্টেট ওইবা য়াগনি।

মণিপুরদা শুবা নোম্বদা লেম্না মাঙদবনি। মীয়াম্না শুবা নোম্বগী হৈনবী লৈহনবা চঙই।

ঙসিগী থৌরম অদুদা তম্পাক্কী বেনিফিসিয়ারি ১০০০ অমগী একাউন্টতা দাইরেক্ট বেনিফিট ট্রান্স–ফরগী খুত্থাংদা লুপা ৭,৪১,১২,০০০ য়েন্থোকখি। লোয়ননা চীংগী বেনিফিসিয়ারি ৩০০গীদি অপুনবা শেনফম লুপা ৩,৭৭,৪২,৮০০ মণিপুর ষ্টেট কো ওপরেটিভ বেঙ্ককী মেনেজিং দাইরেক্টর এ সুভাসতা চ্যেক ওইনা খুৎশিন্নদুনা য়েন্থোকখি। লোয়ননা আর কে ভি ৱাইগী মখাদা মোটোরাইজ কম পেদল ওপরেটেদ স্পাইনিং মেছিন ১৫০ সেল্ফ হেল্প গ্রুপ ৬০গী মীওইশিং অমদি লন্নাই মীওই ৩০ দা য়েন্থোকখি।

থৌরম অদুদা এম এল এ অৱাং বৌ নিউমাই অমদি এম এল এ টি ঐচ সত্যব্রত্তসু শরুক য়াখি।

# করাংদা অহানবা ওইনা চাউখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎনবা মেছিন য়ৌহনখ্রেঃ সুশিন্দ্রো

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৩(এসএন এস)ঃ

করাং ঈথৎতা পুৱারীদা অহানবা ওইনা চাউখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎপা হৌননবা লোক্তাক দিভলপমেন্ট ওঠোরিটি (এল দি এ) না এক্সকাভেটর য়ৌহনবা হৌখ্রে। ঙসি এক্সকাভেটর অসি বার্জ অনী অমদি ৱাটর মষ্টর অমগী মতেংনা পুশিনখিবনি।

ঈথৎ অসিদা মেছিন পুশিনখিবা অসিগা মরী লৈননা খুরাই এ সিগী এম এল এসু ওইরিবা এল দি এগী চেয়ার্মেন এল সুশিন্দ্রোনা করাং ঈথৎ অসিদা পায়খৎলকপা চাউখৎ থৌরাংগী থবক খুদিংমক এল দি এনা মতেং পাঙগনি হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি, করাং অমদি থাঙ্গ অনীগী ফাওনফম অসি ফুমনা ফুমজিল্লকপা মতমদা হি লাম্থোক–লানশিন তৌবদা খুদোংচাদবা মায়োক্লে। মসি করাং মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না ফাওনফম মফম অসিদা ফুম ফুমজিল্লকপা থিংননবা নাক– য়েৎ অনীমক অসিগী মথক্তা ৱায়র রোপ তিংনবা থৌরাং লৈরে। মমাঙদা করাং ঈথৎ অসিদা পায়খৎপা চাউখৎ– থৌরাংগী থবকশিং মীনা ওইনা লোইনা হোৎনরম্বনি। অদুবু ঙসিদগী এল দি এনা মেছিন য়ৌহন্দুনা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং মেছিনগী মতেংনা অমদি এল দি এনা সপ্পোর্ট তৌদুনা পায়খৎপা হৌরগনি।

মহাক্না হায়খি, করাং ঈথৎতা হৌজিক মতীক চাবা লম্বীগী খুদোংচাবা লৈত্রি। ঈথৎ অসিদা পেরিফেরেল রোদ অমা শেম্বা হায়বসি মীয়াম অসিগী অপাম্বনি। মসি লৈঙাক্না তানদুনা থবক্তা ওন্থোক্নবা হোৎনগনি। লম্বীসিমা লৈরবদি চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপদসু খুদোংচাগনি। লোয়ননা লম্বী অসি শেমদুনা ইকো ফ্রেন্দলি ওইবা ঈ–রিক্সোগুম্বসু চল্লাইনবা পান্দম থল্লি।

ইনলেন্দ ৱাটরৱেজ প্রোজেক্টস পায়খৎপদা ঙামীশিংদা মখল অমত্তগী অকায়বা পীবা লৈতে। অদুবু হৌজিক পায়খৎলিবা ইনলেন্দ ৱাটরৱেজগী প্রোজেক্ট অসিদা ৱাটরৱেগী মফমশিংদা ঙামীশিংনা লাংনচিংবা থাবদসু ঈশিং লম্বীনি খঙনবা পোৎশক থমগনি। লোয়ননা লোক্তাক পাৎ হায়সি মীয়ামগীনি অদুবু পাৎ মনুং অসিদা য়ূম শাজিল্লগা খোঙহাম খুৎহাম তৌশিনবদি এল দি এনা অথিংবা থম্মী। অথিংবা অসিবু খঙদনা পাৎ ময়াইদা য়ূম শাজিন্দুনা ঈশিংদা হকথেংননা খোঙহাম খুৎহাম তৌশিনবশিং অথুবদা তকথোক্লগনি। মীয়ামগী চথোক–চৎশিনদা হেন্না খুদোংচানবা পান্দমদা ঈশিং লম্বী নীংথিনা লৈননবা এল দি এনা ফুম শেংবগী থবক পায়–খৎলক্লিবা অসিদসু মীয়াম্না মতেং পাঙবিয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

ঙসিগী খোঙচৎ অসিগী শরুক অমা ওইনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ফুবালা ইনলেন্দ ৱাটরৱেজ প্রোজেক্টকী মখাদা শারিবা টর্মিনেল বিল্ডিংগী ফীভমসু য়েংশিনখি। খোঙচৎ অদুদা লোক্তাক দিভলপমেন্ট ওঠোরিটি (এল দি এ) গী প্রোজেক্ট দাইরেক্তর এল ভগৎতোন অমদি অতৈ ওফিসিয়েলশিংসু শরুক য়াখি।

# রিহা ভিলেজদা লুইরা ফানিট ২০২০ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৩(এসএন এস)ঃ

কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী ফুংয়ার সব–দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা রিহা ভিল্লেজতা মহে মরোঙ থাবা–হৌবগী কুম্হৈ অমা ওইনা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোকপগুম কুমসি চহীগীসু নুমিৎ মরিনি চুপ্না পাঙথোক্কদবা ৪৭ রক শুবা লুইরা ফানিট ২০২০ হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরম অসিদা ফুংয়ার এ সিগী এম এল এ, কে লৈশিয়োনা চীফ গেষ্ট, ফুংয়ারগী সব–দিভিজনেল ওফিসর কে জি দাইগোং (এম সি এস)না গেষ্ট ওফ ওনর, কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী এক্সজিক্যুটিব ইঞ্জিনিয়র চামদানলুং রোংমৈ অমদি ঙারুমফুং সি ও বিগী কম্পেনি কম্মান্দর মেজর মিট সুতরিয়ানা স্পিসিয়েল ইনভাইটিজশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা এম এল এ কে লৈশিয়োনা হায়, অসিগুম্বা কুম্হৈ অমা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোকপা অসি য়াম্না অফবা খোঙথাং অমনি। মসিনা রিহা ভিল্লেজ অসিগী মনুং চন্না লৈরিবা লৈকাই ৫গী মীয়ামশিংবু হেন্না নুংশি চান্নবগী মরী ফগৎহনবতা নৎতনা শুবা–নোম্বা কন্নবগী ইথিল অমসু পীরি।

চাউখৎলকপগী মতুং ইন্না ঐখোয়না মহে মরোঙ থাবা মতমদা সোইল টেষ্টিংনচিংবা নীংথিনা তৌদুনা মফম মফমদুগা চান্নবা মহে মরোঙ খল্লগা থাদুনা হেন্না পোৎথোক হেনগৎনবা হোৎনগদবনি। মসিদসু নৎতনা মপিথেলদগী মৌখৎলকপা ঈশিংগী শরুক অসিগা নক্না লৈবা খুল অমসু ওইবনা মফম অসি টুরিষ্ট স্পোট ওইনা শেমগৎপদা য়াম্না মফম চাবা অমা ওইগনি। মসিনা খুল অসিগী শেনমিৎলোনদা অচৌবা মতেং অমা শোয়দনা ওইগনি।

মরম অসিনা খুঞ্জাশিং অসিনা হীরম অসিদা মীৎয়েং চঙবা মথৌ তাই। মসিদা মহাক্কী মায়কৈদগীসু পাঙবা য়াবা মতেং পাঙগনি হায়না মহাক্না মখা তানা হায়খি।

কুম্হৈ অসিগী মনুং চন্না শানা খোৎনবগী থৌরম কয়া অমদি নাৎকী ওইবা জগোয় –ঈশৈ চাংদম্নবা কয়াসু পাঙথোক্কনি হায়রি।

# ওল মণিপুর ষ্টুদেন্ট গার্জিয়ান ওর্গনাইজেসননা ইগজাম থাগদৌরিবা মহৈরোইশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৩ (এস এন এস)ঃ

লাক্লিবা ফেব্রুৱারি ১৪ অমদি ১৭ গী হৌগদৌরিবা কাউন্সিলনা লৌবা মহৈরোইশিংগী য়াম্না মরু ওইবা তুংগী লাইবক লেপকদৌরিবা ক্লাস টুয়েল্ব অমদি বোর্দনা লৌবা ক্লাস টেনগী ইগজাম থাগদৌরিবা মহৈরোই পূম্নমক মায় পাকপা ওইরো হায়না ওল মণিপুর ষ্টুদেন্ট গার্জিয়ানগী মায়কৈদগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

ওল মণিপুর ষ্টুদেন্ট গার্জিয়ান ওর্গনাইজেসনগী সেক্রেটরী সৌগ্রাকপম সুমতিবলানা হায়, মহৈরোইশিংনা ইগজাম থাবা মতমদা অরানবা পাম্বৈ শিজিন্নদনা নিয়ম চুম্না ইগজাম থানবা মমা মপা ওইবশিংনসু মচাশিংবু টেনসন ফ্রি ওইনা ইগজাম থানবা হোৎনবিবা, ইগজাম সেন্টরশিংগী ও সি শিংনা থম্মোয় শেংনা ইগজাম পাঙথোকপিবা, ইনভেজিলেটর তারিবা ওজাশিংনসু নিয়ম চুম্না ইগজাম পাংথোকপীবা লোয়ননা জে সি আর ই পি না ইগজামগী য়েংলগা কুম্মৈ হরাও লেপ্পরিঙৈ মতম অসিদা কনাগুম্বা অমত্তনা হায়রিবা মতম অসিদা করিগুম্বা মখল অমত্তগী কুম্মৈ হরাও তৌবিদবা, ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টনসু ইগজাম মনুংদা মৈ চাং নাইনা থাবিবা, মহৈরোইশিংনসু নিতি নিয়ম চুম্না ইগজাম থাদুনা ইংনা চিক্না ইগজাম পাঙথোক্নবা হোৎনদা ঐখোয় খুদিংমক থৌদাং লৌমীন্নসি হায়না ওর্গনাইজেসনগী মায়কৈদগী আপিল তৌরক্লি। লোয়ননা ইগজাম পাঙথোক্লিঙৈ মতমদা কনাগুম্বা লূপ অমত্তনা বন্দ ব্লোকেদ জেনরেল ষ্ট্রাইক, শিত্থা লেপনচিংবা অমত্তা তৌবিদনবা হায়জরি। কাউন্সিল ওফ বোর্দনসু ইগজাম সেন্টরশিংদা নিতি নিয়ম চুম্না ইগজাম পাঙথোক্নবা ইনষ্ট্রক্সন পীবিনবা পূক্নিং চিংশিনজরি।

## In the Court of Sub-Deputy Collector
**Salam, Imphal West**

*Ref. :- Mutation Case No. 46/SDC/IW/Salam of 2020*

Laishram (N) Maibam Pecha Devi W/o (L) M. Kanta Singh
of Ngairangbam Mayai Leikai

***- Petitioner***

***-Verses-***

Late Laishram Mani Singh S/o (L) L. Parijat Singh
of Ngairangbam

***- Opposite Party***

**NOTICE**

*the 13th january 2020*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নংঃ ৭৮–ঙাইরাংবম পাট্টা নংঃ ৭৮ / ৪৮০ অনৌবা দাগ নংঃ ১৩৮, ১৩০৭ গী এরিয়া .৭৮ + .১৭৫ একর অপুনবা এরিয়া .৯৫৫ একর চাওবা ফৌরেল অমসুং ইংখোলগী লম অসি ১। লাইশ্রম মনি সিংহ পীং মৃতু পরিজাৎ সিংহ সাং ঙাইরাংবম ২। অখন্বম ইন্দ্রজিৎ মীতৈ পীং মৃতু ধনঞ্জয় সিংহ সাং ঙাইরাংবম অৱাং লৈকাইগী মিংদা পান্দুনা লৈ। লাইশ্রম মনি সিংহগী শরুক দাগ নং ১৩০৭ গী এরিয়া .১৭৫ একর চাওবা ইংখোলগী লম পূম্নমক্লি। পাট্টাদার অসি শিখ্রে। মহাক্কী শরুক অসি মহাক্কী মচা নুপী দরখাষ্টকারিনা মহাক্কী মিংদা পানবিরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউ–চে অসিনা ফোঙবা মতুংদা ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা উক্তা কোর্ট অসিদা ৱাকৎলবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Salam, Imphal West

SL/B(L)/14

## In the Court of The Sub-Deputy Collector
**Keirao Bitra, Imphal East, Manipur**

*Ref. :- Mutation Case No. 95/SDC/KBT Dt 13/02/2020*

Md Zakir Huissen S/o (L) Jameruddin
of Kiyamgei Awang Leikai

***- Petitioners***

***-Verses-***

(L) Md. Jameruddin S/o Shamsurddin of Kyamgei

***- Opposite Party***

**NOTICE**

*Keirao Bitra, 13/02/2020*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতূং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Imphal East Keirao Bitra Circle গী Village No. 49- Urup গী Patta No. NIL (অরিবা) 554 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 27,29 & 37 an area .26+ .40+ .64 = 1.30 acre of Anganphou লৌফম অসিগী Pattadar Md Jameruddin অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মচানুপানা লম অসি মমিং ওনবিরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Keirao Bitra Court অসিদা Objection তৌবিরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চত্থগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Keirao Bitra, Imphal East

SL/B(L)(1)/14

## In the Court of The Sub-Deputy Collector
**Keirao Bitra, Imphal East, Manipur**

*Ref. :- Mutation Case No. 96/SDC/KBT Dt 13/02/2020*

1. Rameet Ahmed S/o Rashid Ahmed
of Kiyamgei Muslim Awang Leikai
2. Y. Muneer Ahmed S/o -do-

***- Petitioners***

***-Verses-***

(L) Khatun Bibi W/o (L) Ahamdali of Kiyamgei

***- Opposite Party***

**NOTICE**

*Keirao Bitra, 13/02/2020*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতূং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Imphal East Keirao Bitra Circle গী Patta No. 44 (অরিবা) 215 (অনৌবা) গী Village No. 50- Kiyamgei C.S. Dag Nos. 78 an area .43 acre of Ingkhol Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুৎতা লম অসি মমিং ওনবিরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Keirao Bitra Court অসিদা Objection তৌবিরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চত্থগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Keirao Bitra, Imphal East

SL/B(L)(3)/14

## In the Court of The Sub-Deputy Collector
**Keirao Bitra, Imphal East, Manipur**

*Ref. :- Mutation Case No. 11/SDC/KBT Dt 17/01/2020*

1. Abdullah S/o (L) Habibulah of Kiyamgei Awang
2. Md. Azid S/o (L) -do-
3. Md. Abdul Matalip S/o (L) -do-
Co-Pattadar No. 1 & 2 গী লম।
4. Md. Farijuddin S/o (L) Md. Fajul Karim of Kiyamgei Awang
Co-Pattadar No. 3 গী লম।
5. Yusuf Ali S/o (L) Md. Heda of Kiyamgei Awang
6. Md. Jalaluddin S/o (L) Hedatullah of -do-
Co-Pattadar No. 4 গী লম।
7. Md. Abdul Salam S/o (L) Salamatullah of Kiyamgei Awang
8. Md. Rahamanuddin S/o (L) -do-
Co-Pattadar No. 5 & 6 গী লম।

***- Petitioners***

***-Verses-***

1. (L) Diyanatullah Master S/o Amalullah of Kiyamgei
2. (L) -do-of-do-
3. (L) Ataullah S/o -do-of-do-
4. (L) Hedayetulla S/o -do-of-do-
5. (L) Sametula S/o -do-of-do-
6. (L) Iboton Mia S/o (L) Wahetula of Kiyamgei
7. (L) -do-of-do-

***- Opposite Party***

**NOTICE**

*Keirao Bitra, 17/01/2020*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতূং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Imphal East Keirao Bitra Circle গী Village No. 50- Kyamgei Muslim গী Patta No. 4/Angsh 164 (New) C.S. Dag Nos. 83,84 & 100 an area 1.816000+.75000+2.78 acre of Ingkhol/Phourel Class লম অসিগী Co-Pattadar No.1 to 7 অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar শিংগী মহুৎতা লম অসি মমিং ওনবিরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Keirao Bitra Court অসিদা Objection তৌবিরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চত্থগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Keirao Bitra, Imphal East

SL/B(L)(5)/14

## Crossword # 428



Across
1. Boxing champ Willard
5. Seed used in cooking
11. TV powerhouse
14. Chimney shaft
15. Mary-Kate's twin
16. Flamenco exclamation
17. JUMPER
19. Rogue
20. Whale or herring follower
21. Zodiac constellation
22. Cymbal relative
23. Crumpet cousin
25. RUNNER
27. Rummy game
29. Crossword fan, presumably
30. Container with a spigot
31. Rascally tots
34. Check one's figures
38. WALKER
42. Texas teammate
43. Tenor's higher-up
44. Words with roll or tear
45. Likeable president
47. Decamp
50. HOPPER
55. Styx locale
56. Part of a billiards table
57. Jack Ryan's employer (Abbr.)
58. Shape
59. Wood-trimming tool
60. SKIPPER
64. Hurley of "Serving Sara"
65. Cop's collar
66. Yesteryear
67. Something fishy
68. Artichoke delicacy
69. Kremlin veto

Down
1. NY destination
2. Actor Wallach
3. Protective head gear
4. Red rock town near Flagstaff
5. Hotel convenience
6. Corner key
7. Traditional will?
8. "The Sandbox" playwright
9. Air
10. Ophthalmologist's study
11. Campfire drink
12. Lackluster
13. Papyrus, e.g.
18. Word in a Poitier film title
22. Viscous
23. Snorkeling upgrade
24. Gives a hoot
25. Lively ballroom dance
26. Evoke yawns
28. Tic-tac-toe outcome, often
32. Crony
33. Long-necked instrument
35. Quite a few
36. "I Remember Mama" star
37. Twosomes
39. Type of period
40. Mischievous Norse god
41. Tennis shot
46. Performance extra
48. Scour for bargains
49. Box made of cardboard
50. Border between Europe and Asia
51. "Sexy" lady of Beatles song
52. Popular delivery
53. Crowning touch?
54. Peter, pumpkinwise
58. Minnesota of billiards
60. "That's ridiculous!"
61. Illinois clock setting
62. Sculptor's medium
63. Basketball champions' "trophy"

পাউখুম লমায় ৭ দা

## HOUSIE POSTPOND

লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফালনা শীন্দুনা ফেব্রুৱারি থাগী তাং ১৬ কী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা উরিপোক সোর্বোন থিঙেন, অমুদোন কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বদু ক্লাস ১০ অমসুং ১২ কী পরিক্ষানা মরম ওইরগা মার্চ তাং ২২, নোংমাইজিং নুমিৎতা ওইনা য়েথোকচরে। মতম অমসুং মফমদি হান্না লেপখিবদু হোংদোকচরোই।

**Sd/- Secretary**
LIONS CLUB OF IMPHAL

SL/6031/13

## In the Court of The Sub-Deputy Collector
**Keirao Bitra, Imphal East, Manipur**

*Ref. :- Mutation Case No. 78/SDC/KBT Dt 10/02/2020*

1. Lahijam W/o (L) Rajauddin of Keirao Makting Makha Leikai
2. Abdul Ajish S/o (L) Rajauddin of -do-of-do-
3. Md. Khurshid Alam S/o (L) Rajauddin -do-of-do-
4. Nurjahan D/o (L) Rajauddin of Thangbijou
5. Fatima D/o (L) Rajauddin of Khabei Soi Sabal Leikai
6. Alipjan D/o (L) Rajauddin of Keirao Makting
(Application No. 4,5 and 6 কী শরুক্না দাগকী মনুংদগী নোংপোক থংবদা এরিয়া .03 একরগী লম)

***- Petitioners***

***-Verses-***

(L) Muhamad Abdul S/o (L) Abdurasid of Keirao Makting

***- Opposite Party***

**NOTICE**

*Keirao Bitra, 10/02/2020*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতূং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Imphal East Keirao Bitra Circle গী Village No. 48- Keirao Makting গী Patta No. 83 (অরিবা) 86 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 1170 an area .36000 acre of Ingkhol লম অসিগী Pattadar (L) Muhamad Abdul S/o (L) Abdurashid of Keirao Makting অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুৎতা লম অসি মমিং ওনবিরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Keirao Bitra Court অসিদা Objection তৌবিরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চত্থগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Keirao Bitra, Imphal East

SL/B(L)(2)/14

**OFFICE OF THE**
**ANDRO MUNICIPAL COUNCIL**
**ANDRO, MANIPUR-795149**

**NOTIFICATION**
**Andro, the 12th February, 2020**

**No.6/1/2020-AMC(SBM/SWM):** In accordance with the provision under Section 209 (XXVI) of the Manipur Municipalities ACT, 1994 and in order to implement the provisions made in the Solid Waste Management (SWM) Rules, 2016, it is hereby notified to all citizens within the jurisdiction of Andro Municipal Council that a "Draft Andro Municipal Council Soild Waste Management Bye-Laws, 2020" has been farmed by this Council vide Sitting No. 88, Resolution No. 1 dated 03/02/2020. Any claims and objections in this regard may be submitted in writing to the undersigned within 7 (seven) days within office hours from the publication of this Draft Andro Municipal Solid Waste Mangement Bye-Laws, 2020. Claims or objections recieved after the said period (i,e. 7 days) shall net be entertained.

**Sd/ -**
**(Thokchom Pamei)**
Executive Officer
Andro Municipal Council

**SL/6030(3)/14**

## EMPLOYMENT NEWS
## থবক্কী পাউ

**APHWCL Recruitment 2020**

APHWCL Recruitment 2020-21: Apply Online for 6 Junior Engineer Vacancies in APHWCL Recruitment 2020-21 in Itanagar. New recruitment Jobs 2020-21 notification aphwcl.nic.in/advertisement.htm published for the post Draftsman in APHWCL Recruitment 2020-21 read complete details before applying in APHWCL Notification for the post .

Junior Engineer vacancy in APHWCL Recruitment 2020

APHWCL recently released advertisement regarding Junior Engineer recruitment 2020, last date for application submission is 15-02-2020.

| | |
|---|---|
| APHWCL January 2020 Notification | Details |
| Junior Engineer | B.Tech/B.E, Diploma |
| Job Location | Itanagar |
| Total Vacancies | 6 |
| Date Added | 28/01/2020 |
| Last Date to Apply | 15/02/2020 |

..............................................................................

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE KAKCHING KHUNOU MUNICIPAL COUNCIL**
**KAKCHING DISTRICT, MANIPUR 795103**

**NOTIFICATION**
**Kakching Khunou, the 12th February, 2020**

**No.5/3/2018-KKMC/SWM:** It is hereby notified to all the citizens within the jurisdiction of Kakching Khunou Municipal Council that a **Draft Kakching Khunou Solid Waste Management Bye-Laws, 2020** has been framed by this Council vide Resolution No. 1, Sitting No. 79, dated 12/2/2020 and the copy of the same can be obtained from this Office during office hour.

Any claims and objections, in this regard, may be submitted in writing to the undersigned within 7(seven) days during office hours from the publication of this Draft Kakching Khunou Solid Waste Management Bye-Laws, 2020. Claims or objections received after the said period (i.e. 7 days) shall not be entertained.

**Sd/ -**
**(Helem Pamei)**
Executive Officer
Kakching Khunou Municipal Council

**SL/6030(1)/14**

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE SUGNU MUNICIPAL COUNCIL**
**KAKCHING DISTRICT, MANIPUR 795101**

**NOTIFICATION**
**Sugnu, the 12th February, 2020**

**No.2/4/2018-SMC/SWM:** It is hereby notified to all the citizens within the jurisdiction of Sugnu Municipal Council that a **Draft Sugnu Solid Waste Management Bye-Laws, 2020** has been framed by this Council vide Resolution No. 1, Sitting No. 53, dated 12/2/2020 and the copy of the same can be obtained from this Office during office hour.

Any claims and objections, in this regard, may be submitted in writing to the undersigned within 7(seven) days during office hours from the publication of this Draft Sugnu Solid Waste Management Bye-Laws, 2020. Claims or objections received after the said period (i.e. 7 days) shall not be entertained.

**Sd/ -**
**(Helem Pamei)**
Executive Officer
Sugnu Municipal Council

**SL/6030(2)/14**